ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# ফ্রান্সনা মোরোক্কো ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা অর্জেন্টিনাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

কটার, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী): দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ফ্রান্সনা মোরোক্কোগী কটারগী মঙলানগী লমজেল লোইশিনহন্দুনা লিওনেল মেসিগী অর্জেন্টিনাগা নোংমাইজিং নুমিৎতা লুসেল আইকোনিক ষ্টেদিয়মদা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অল বেইট ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা ফ্রান্সনা মথৌনা লৈরবা মোরোক্কোবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ব্রাজিলনা ২০০২ ৱর্ল্ড কপতা থংননা ফাইনেল চঙলকপা ঙমখ্রবা মতুং ফ্রান্সনা থংননা অনীরক ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন টিম ওইরি। ফ্রান্সনা হৌজিক ইটলি (১৯৩৮) অমদি ব্রাজিল (১৯৬২)গী মতুং থংননা টাইটল লৌবা ঙম্বা অহুমশুবা টিম ওইনবা পান্দম থল্লি।



অল বেইট ষ্টেদিয়মদা মোরোক্কো অমদি ফ্রান্স অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ফুল বেক থিও হর্নান্দেজনা অনকপা ফ্রান্সকী সবষ্টিট্যুট চঙলকখিবা রন্দাল কোলো মুআনিনা শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা অথেংবদা চনখিবা গোলনা ফ্রান্সনা গেম অদু লোইশিনখি।

মোরোক্কোগী সপোর্টরশিংবু তুমিন্না লৈহনখি অমদি মখোয়গী টিমবু হেন্না কনফিদেন্ট লৈনা শান্নবা ঙমহনখি। হর্নান্দেজকী গোল অদু এন্টোইন গ্রিজমেননা চেন্দুনা পুশিল্লকপা বোল অমা কিলিয়ন এম্বাপ্পেদা পাস তৌরবা মতুং ৱাংনা থাদরকখিবা বোল অমা ওই থংবা খোঙনা কাওশিন্দুনা নেট শোক্তুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিবনি।

অনীশুবা গোল অদুনা এম্বাপ্পেনা চেন্দুনা ১৮ য়ার্দ বোক্স তন্না পুশিল্লকপা বোল অমা শাফ্ কন্না কাওশিল্লকবা মতুং মোরোক্কোগী দিফেন্দরনা ঙাকথোরকপদগী থক্তোরকপা বোল অদু কোলো মুআনিনা নেট শোকহন্দুনা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

ওলিভিয়র জিরুনা ফ্রান্সকী গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা য়াম্না নক্নবা রেঞ্জতগী কাওরকখিবা বোল অমা পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বা তাখি।

নোর্থ অফ্রিকান টিমগী মরুওইবা সেন্টর বেকশিং অয়াম্বনা ইঞ্জুরি মায়োক্নখি। নায়িফ এগর্দসুৱার্ম অপতা মহাক্কী খূউ মখাগী মসল শোকখিবনা হৌরকপদা য়াওখিদে। অদুগা স্কিপ্পর রোমানসেসু শান্নবা হৌরকপগী মিনট ২০গী মতুংদা শিন্দোকখি।

শিন্দোকখিবা সেন্টর বেক জাৱদ ইল য়ামিকনা ফজবা বাইসাইকল কিক্ অমা কাওশিন্দুনা মোরোক্কোগী গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা অমা লাইবক থীবদগী পোষ্টতা পান্দুনা মপানলোমদা থক্তোকখিবদগী অরেম্বা তাখি।

ফ্রান্সকী মায় পাকখিবা অসিনা ইন্টরনেসনল করিয়রদগী পোত্থাগদৌরবা অর্জেন্টিনাগী মেষ্ট্রো লিওনেল মেসি অমদি ফ্রান্সকী ৱর্ল্ড গেম অসিগী মথংগী সুপর ষ্টার ওইরক্কদৌরিবা এম্বাপ্পে অনীগী মরক্তা মীৎয়ম হোংবা ঙম্লরোইদবা ক্লাশ অমা ওইগদৌরি।

মোরোক্কোনা মায়থীহৌরবসু ৱর্ল্ড কপতা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা অফ্রিকান অমদি আরব লৈবাক ওইদুনা মখোয়গী এচিভমেন্ট অসি মীয়াম্না পাক শান্না শীংথানরগনি। থাংজ নুমিৎকী ক্রোএসিয়াগা শান্নগদবা থর্দ প্লেসকী মতুং য়ূম হনবদা মীয়াম্না মখোয়গী থৌনা খঙবীদুনা ৱাংনা থাঙ্গৎলগনি।



রেঞ্জতগী এক্রোবেটিক গোল অমা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা ঙন্নাফ্রান্সনা মাংজিল থানা চৎখি। মেটচ অসিদা মোরোক্কোনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬০গী চাংদা পায়দুনা খূদুম চন্না শান্নরবসু

মোরোক্কোনা ক্রোএসিয়াগা থাংজ নুমিৎতা খালিফা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

হর্নান্দেজনা ঙন্না চনখিবা গোলনা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা

**THIRD PLACE**
Croatia vs Morocco — 17 December (8:30 PM)
Khalifa International Stadium

**FINAL**
France vs Argentina — 18 December (8:30 PM)
Lusail Iconic Stadium

# হিরো আই লীগ : ট্রাওনা রাজস্থান য়ুনাইটেদ এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি নুংথিল খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হোম টিম ওইরিবা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সীনা রাজস্থান য়ুনাইটেদ এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



ট্রাওনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেটচ ৮ শান্নখিবদা, মেটচ ৪ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা অমদি ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা টেবলগী ৪শুবা মফমদা লৈরি। রাজস্থান এফ সীনা পূন্না মেটচ ৮ শান্নখিবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা ৩ মায়থীরগা পোইন্ট ৮ ফংলগা টেবলগী ৬শুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ট্রাওগী কোমরোন টুর্সুনোভনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা ট্রাওনা রাজস্থান য়ুনাইটেদপু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা অমৃতপাল সিংহনা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা রাজস্থান য়ুনাইটেদকী গোল ১গা হাপচিন্দুনা স্কোর ১-২দা লৈহনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা বাওরিংদাও বোদোনা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা ট্রাওগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিন্নবা ঙম্নদবদগী ট্রাওনা হোম মেটচতা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ট্রাওগী বুআনথাংলুন সামটে অমদি রাজস্থান এফ সীগী পিন্টু মাহটা অনীবু মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। রেফরিনা অহানবা হাফ লোইরমদাই রাজস্থান য়ুনাইটেদকী ভিশাল জুনসু শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# ক্রিপসানা য়ু পি এস এ থোইখ্রে, আই সী এস এ অমদি মণিপুর পুলিস দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোংনা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ)বু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সংলাকপম বন্তিনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা ইফম রোমিনা বেগমনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা নাওরেমথোং টিমগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই সী এস এ ইরেংবম অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ইরেংবম টিমগী গোল অদুনা ওইনাম রেটিকানা শান্নবগী ১৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা পুলিস টিমগী গোল অদুনা সলাম রিনারোইনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

লীগ অসি থা অসিগী ১৬ ইরাই নুমিৎতা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লোইশিল্লগনি। ক্লোজিং মেটচতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খেই অমদি য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ুপিএসএ) পুখাও অনীনা নুংথিল পুং ১.৩০দা শান্নরগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে সনায়াইমনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা থৌরম মপু অদুগা দোনর এল বুধিচন্দ্র রোইনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারগনি।

## ইন্টর কোলেজ মুক্না হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): কুম্বী কোলেজনা য়ূম্ব ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মুক্না টুর্নামেন্ট ঙসি কোলেজগী শঙলেন্দা হৌদোকখ্রে।

## এদভেঞ্চর কোর্স ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন (এম এম টি এ)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৮৮শুবা এদভেঞ্চর কোর্স থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ১দা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী য়াইফ শঙলেন্দা হৌদোল্লগনি।

কোর্স অসি থা অসিগী ২৭ ফাওবা নুমিৎ ১২ চুপ্না চথগনি হায়না মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারনা খঙহল্লক্লি।

## এ আর পি এসকী এন্যুএল স্পোর্টস মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল (এ আর পি এস)কী স্কুলগী প্রেমিসতা নুমিৎ নীনি চুপ্না চথরকপা এন্যুএল স্পোর্টস মীট ২০২২ ঙসি লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ অসিদা পটেল হাউসনা অহানবা পোজিসন অদুগা সুভাশ, নেহরু অমদি গান্ধী হাউসনা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনশিং তাখি।

মীট অসি চ্যেরমেন বৃগেদিয়র সুশিম বিস্বাসনা কেন্দল চুখৎতুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা হাউস মরিগী মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্টশিংগী ওইবা এগজিবিসন পাঙথোকখি। মতুং তারকপদা হাউসকী কেপ্টেনশিংনা অশেংবা স্পোর্টসমেনশিপকী থৌনাগা লোয়ননা ওথ টেক্কিং লৌদুনা চ্যেরমেননা বেলুন থাদোক্তুনা হৌদোকখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা স্কুল ওফিসর লেফটনেন্ট কোলোনেল রঘুবেন্দ্র সিংহ, মেজর রাকেশ কৃষ্ণ এন অমদি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. অলকা জেননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইমারি অমদি প্রি প্রাইমারি মহৈরোয়শিংগী ওইবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমা উৎপগা লোয়ননা স্পোর্টস মীট অসিদা মকোক-মথং তারকখ্রবশিংবু সর্টিফিকেট অমদি মেদলশিং য়েন্থোকখি।

কজাক কুরেশ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ

## লক্কী লাইশ্রমনা সিলভর মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): কাজাখষ্টানগী অষ্টনাদা থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা কজাক কুরেস ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী শান্নরোয় লক্কী লাইশ্রমনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে।



মহাক উচিৱা ময়াই লৈকাইদগী লাইশ্রম গুনেশ্বর অমদি বিনাকুমারী অনীগী মচানুপানি।

অমরোমদা, মহাক্না মায় পাক্লকপা অসিদা মণিপুর কজাক কুরেস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মহাকপু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ, কে রোবিন্দ্রো অমদি মণিপুর কজাক কুরেস এসোসিএসন অমদি মহাক্কী পোক্নফম লমদম উচিৱা ময়াই লৈকাইগী ক্লবনা শীন্দুনা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ২দা এয়রপোর্টতা মহাকপু তরাম্না ওক্কদৌরি।

## অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)দা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা মখোয়-মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স শীন্নিংবগী অপাম্বা লৈরবদি থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা খঙহল্লক্কবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**SPOKEN ENGLISH**
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7933/4/12-3/02

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
**SANGAI TUTORIAL**
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for CLASS -X (BOSEM) 15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
& FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM) 2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022
1st POSITION — Laishram Rahul
3rd POSITION — Meneka Huidrom
8th POSITION — Moirangthem Rex Singh
18th POSITION — Chingakham Italy Meitei




Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/5089/2/12-30/01

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

**PUZZLE NO. 660**

Angelo Auletta (2170) - Miragha Aghayev (2404)
Salerno, 2018.02.03



1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4
4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Bd7 6.Bc4 Nc6
7.O-O a6 8.Re1 e6 9.Nxc6 Bxc6
10.Nd5 Rc8 11.Bb3 Bb5 12.c4 Bxc4
13.Bxc4 Rxc4 14.Qb3 b5 15.Nxf6+ gxf6
16.a4 Qa5 17.Bd2 Qxd2 18.axb5 Rb4
19.bxa6 Rxb3 20.a7...

**QUESTION :**
Black to defend and win

**Puzzle 659 Ans. :**
36. d6+ With a discovered check by the white bishop. Bf7 37. Rh8+ The white rook decoys Black's king. The white rook deflects Black's king away from protecting the bishop. Kxh8 38. Bxf7 c4 39. Rh1# Pillsbury's mate
36. d6+ Bf7 37. Rh8+ Kxh8 38. Bxf7
1-0

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG, NAMBOL, THOUBAL, KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2, Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2, 2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- SAMUROU NEAR MACHU HALL, THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KAKCHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7893/13/12-12/-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com